## রোহিঙ্গা জেনোসাইদ কেস থাংগৎখ্রে

হেগ, নবেম্বর ১১ (এজেন্সি) :
ম্যান্মারবু রোহিঙ্গা মুস্লিম মাইনোরিটিগী মায়োক্তা জেনোসাইদকী থৌদৌ চথখি হায়বা মরাল শীরদুনা গাম্বিয়ানা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী টোপ কোর্টতা ম্যান্মারগী মায়োক্তা কেস অমা ফাইল তৌখ্রে হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা গম্বিয়াগী জষ্টিস মিনিষ্টর অবুবাকর তম্বাদৌনা ফোঙদোকখ্রে। গম্বিয়া অমসুং ম্যান্মার অনীমক ষ্টেটশিংবু জেনোসাইদ চথবা থিংবদা নত্তনা সিগনেটরি ষ্টেট খুদিংমকপু জেনোসাইদকী ক্রাইম থিংবগা লোয়ননা চৈরাক ফংহল্লিবা কুমজা ১৯৪৮ কী জেনোসাইদ কনভেন্সনদা খুৎয়েক পীবা লৈবাকশিংনি।

## সিক্যুরিটি পর্সনেল মঙা হাৎখ্রে

ইস্লামাবাদ, নবেম্বর ১১ (এজেন্সি) :
পাকিষ্টানগী নোংপোক থংবা রাজানপুর দিষ্ট্রিক্টতা মশক খঙদবা টেররিষ্টশিংনা সিক্যুরিটি ফোর্সকী গাড়ি অমদা এম্বুস তৌদুনা সিক্যুরিটি পর্সনেল ৫ হাৎখ্রে হায়রি

## হোং কোংগী ইরাং কনশিল্লক্লে, পুলিসনা কাপ্পদা ১ শোক্লে, প্রো-চাইনা সপোর্টর ১ মৈ থাখ্রে



হোং কোং, নবেম্বর ১১ (এজেন্সি) :
হোং কোংদা দিমোক্রেসি শৌগৎপশিংনা গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিল্লকপা ২৪ শুবা চায়োল য়ৌরকখিবগা লোয়ননা নিংথৌকাবা নুমিত্তা পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদা প্রোটেষ্টর অমা ফিভম থিনা অশোক-অপন নংখ্রে অমসুং প্রো-চাইনা সপোর্টরনি হায়বা মীওই অমা প্রোটেষ্টরশিংনা মৈ থাখ্রে।
সাউথ চাইনা মোর্নিং পোষ্টকী রিপোর্টনা পুলিসকী ৱারোল পল্লদুনা হায়, প্রো-বৈজিং শৌগৎপা মীওই অমা মৈ থাখিবগী থৌদোক অদু সিটি অদুগী মা ওন সান এরিয়াদা য়েৎনবা অমনা মরম ওইদুনা থোকখিবনি। সোসল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ভিদিও অমদা নুপা অমদা মীওই খরনা এটেক তৌবগা লোয়ননা মঙোন্দা মহি ওইবা পোৎশক অমা চাইশিনবগী শক্তম উবা ফংখি। মহাক্লা চৎনা-চৎনা নখোয় চাইনিজ নত্তে হায়না লাউখি। মদু তাবদা অনকপদা লৈরিবা মীওইশিংনা ঐখোয় হোং কোং মচাশিংনি হায়খি। অসুম্না খৎন-চৈনরকখিবগা লোয়ননা মীওই অদুদা মৈ চাকনবা মহি অমা হৈজিল্লগা মৈ চুদুনা মহাকপু মৈ থাখিবনি হায়রি।
পুলিস সোর্স অমগী মতুং ইন্না চাদা ২৮ গী চাংদা মশাদা মৈ চাক্লবা মীওই অদু সা টিনদা লৈবা প্রিন্স ওফ ৱেলস হোস্পিটালদা পুখত্তুনা লায়কন্নখি। থৌদোক অদুগী মাঙওইননা নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক্তা হোং কোংগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা সাই ৱান হোগী জঙ্কসন অমদা দেমোনষ্ট্রেটরশিংনা লম্বী থিংনবা হোৎনখিবদা পুলিসনা মদুবু লাকশিন্নবা হোৎনবদা নোংমৈ কাপ্পদা প্রোটেষ্টর অমা পান্দুনা ফিভম থিনা শোকখি।
পুলিসকী মায়কৈদগী ওফিসর অমনা মহাক্কী সর্ভিস রিভোলবর পুথোক্লগা মীওই অমদা নোংমৈ কাপখি হায়বা ৱাফম কনফার্ম তৌখি। নোংমৈ কাপখিবা মতুংগী ফুটেজদা নহা ওইরি প্রোটেষ্টর অমা লৈমায়দা ঈ মরক্তা মমিৎ পাংলগা তাবগী শক্তম উবা ফংখি।

## ইরাং মরক্তা প্রসিদেন্ট মোরালিস মফম থাদোকখ্রে



লা পাজ, নবেম্বর ১১ (এজেন্সি) :
মীখলগী য়েৎনবা অমনা মরম ওইদুনা বোলিভিয়াদা ওপোজিসন্না লুচিংদুনা মীয়াম্না হৌখিবা থাগী অথেংবা শরুক্তগী হৌরকখিবা অকনবা ইরাং নেমথহন্নবগীদমক্তা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট ইবো মোরালিসনা মহাক মফম থাদোক্লগনি হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা লাউথোকখ্রে।
অমরোমদা, মহাক্কী খোঙথাং অসিনা লৈবাক অদুদা ইরাং হেনগৎলকপা য়াবগী অকিবা লৈহায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা মোরালিসনা মহাক কু অমগী ভিক্তিম ওইদুনা ফাবা য়াবগী ফিভম মায়োক্লরি হায়খি।
ভিদিও ফুটেজদা লৈবাক অদুগী মিলিটরিনা মোরালিসতা মফম থাদোক্লবা আপিল তৌখিবা মতুং নোংমাইজিং নুমিৎকী অহিংদা লা পাজগী লম্বীশিংদা খুৎ থোক্লবা অমদি বিল্ডিং খরা মৈ চাকপগী শক্তম উখি। লৈবাক অদুদা হৌখিবা ওক্তোবর ২০ দা মীখল পাঙথোকখিবদগী চয়োল কয়া প্রোটেষ্ট চথরকখিবগা লোয়ননা মোরালিসকী মীচং কয়ানা মহাকপু থাদোকখিবনি।
চহী ১৪ রোম লৈঙাক্কী পৱার পায়রক্লবা মোরালিসনা টেলিভিজনগী খুথাংদা মীয়ামদা ৱা ঙাঙলদুনা লৈবাক অদুদা তং তাবগী ফিভম হঞ্জিনহন্নবা মহাক্লা লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা ফম থাদোকপগী চেরোল পীশিল্লগনি হায়খি। মহাক্লা লোয়ননা ভাইস প্রসিদেন্ট অলভারো গর্সিয়া লিনেরাসু মফম থাদোকখ্রে হায়রি।

## মপানগী অঙাং লিশিং কয়া সিরিয়াদা ফাইদুনা লৈরি



দমাস্কস, নবেম্বর ১১ (এজেন্সি) :
সিরিয়াগী অৱাং-নোংপোক থংবা লমদমদা মপানগী অঙাং লিশিং কয়া মখোয়গী ময়ুম লৈবাকশিংদা থাবিবগী মতম ঙাইদুনা লৈনরি হায়না মতম শাংনা লানগী চৈথেং নংদুনা লাক্লবা লৈবাক অদুগী য়ুনিসেফ রিপ্রজেন্টেটিভনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।
থা কয়া চুপ্লা মসি অরুবা ৱাফম অমা ওইদুনা লাক্লি। সিরিয়াগী অৱাং-নোংপোক থংবা লমদমদা ঐখোয়না থা কয়ামুক অঙাংশিং অদুগা লোয়নদুনা লাক্লি। অসুম্না মফম অদুদা অঙাংশিংনা ফাইদুনা লৈরক্লিবসি মতম কুইমনখ্রে। হৌজিকসু নোংমা নোংমগী মতম হৌদুনা লৈরে হায়না য়ুনিসেফ রিপ্রজেন্টেটিভ ফ্রান ইক্কিজানা ইফে ন্যুজদা ফোঙদোকখি। মহাক্লা হায়খি মদুদি, অঙাংশিংদা খ্বাইদগী ফবা সর্ভিসশিং ফংহন্নবা অৱা অনাশিং মতেং পাংবগা মরী লৈননা পায়খৎফম থোকপা থবক পায়খত্ত্রবসু মফম অদুদা হৌজিক লৈরিবা ফিভমশিং অদু অঙাংশিংগী ওইনা লৈবদা খুদোংচাবা ইনভাইরনমেন্ট অমা ওইদে।
রেগ্যুলেসনশিং অমসুং লিগেলিটিগী মতুং ইন্না অমসুং অঙাংশিং অদুগীদমক য়েংদুনা য়ারিবমখৈ থুনা মখোয়বু ময়ুম লৈবাকশিংদা থাবিগদবনি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।
য়ুনিসেফকী মতুং ইন্না ইরাক্কী অঙাং ২০,০০০ লোম য়াওনা তোঙান-তোঙানবা লৈবাক ৬০ হেনবগী অঙাং ২৮,০০০ অয়াম্বনা কেম্পশিংদা লৈদুনা সিরিয়াগী অৱাং নোংপোক থংবা লমদমদা লাংদা থুবগুম্না লৈরি। অঙাং অপুম্বগী চাদা ৮০ হেন্না চহী ১২গী মখাদা লৈবশিংনি অমসুং চাদা ৫০না চহী ৫গী মখাদা লৈবশিংনি। মখোয়না লৈরিবা কেম্পশিং অদু কর্দিস ওথোরিটিষ্টশিং অমসুং সিরিয়ন দোমোক্রেটিক ফোর্সেস হায়বা কর্দশিংনা লুচিংবা সিরিয়াদা ইস্লামিক ষ্টেট টেরর গ্রুপকা অরোইবা লান থেংনখিবা মিলিস্যা কাঙবু অমনা কন্ট্রোল তৌদুনা লৈ।
য়ুনিসেফনা চহী ৯গী লেংগা ওইবা অঙাংশিং য়াওনা য়ামদ্রবদা অঙাং ২৫০ দিটেন্সন সেন্টরশিংদা ফারগা থল্লি হায়না পাবগা লোয়ননা অঙাংশিং অদুগী থাঙ্গেশেংবা মশিংদি হায়রিবসিদগী হেনগনি হায়রি। য়ামদ্রবদা গভর্নমেন্ট ১৭ না মফম অদুদা লৈরিবা অঙাং ৬৫০ হেন্না মখোয়গী ময়ুম লৈবাকশিংদা পুরকখিবগা লোয়ননা মখা তানা মখোয়বু ময়ুমদা হলহনবা হায়বসি মশা মশাগী অপাম্বা মতুং ইন্না পাঙথোক্কদবনি হায়না ইক্কিজানা ফোঙদোকখি।

## কম্বোদিয়াগী ওপোজিসন লিদরনা য়ু এস, ফ্রেঞ্চ এনভোইশিং উনখ্রে



নোম পেন, নবেম্বর ১১ (এজেন্সি) :
মতম শাংনা হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থল্লম্বদগী থাদোকখ্রবা কম্বোদিয়াগী ওপোজিসন লিদর কেম সোখানা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফ্রান্স অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী এম্বেসেদরশিংগা উনখ্রে।
মহাক হাউস এরেষ্টকী ফিভমদগী কম্বোদিয়ন ওথোরিটিনা থাদোকখ্রবসু মঙোন্দা শীরিবা ট্রিজনগী মরাল কোক্তনা লৈবগা লোয়ননা মহাক পোলিটিক্স য়াওবা অমদি লৈবাক অসি থাদোক্তুনা চৎপদা মখা তানা অথিংবা থল্লি।
য়ু এস এম্বেসেদর দব্লিয়ু পেট্রিক মর্ফিনা সোখাবু কম্বোদিয়ন ওথোরিটিশিংনা থাদোকখিবগী খোঙথাং অদুবু থাগৎখিবগা লোয়ননা গভর্নমেন্টতা প্রাইম মিনিষ্টর হুন সেনগী ওর্দরদা ওপোজিসনগী মায়োক্তা চঙশিনখিবা কেম্প্যেন অমদা ফারগা জেলদা থল্লিবা অতৈ মীওই কয়াসু থাদোক্লবা তকশিনখি।
কম্বোদিয়াদা চহী ৩০ হেন্না লৈঙাক্কী থৌদাং পায়রকখিবা প্রাইম মিনিষ্টর হুন সেন্না ওপোজিসনগী মায়োক্তা ফা-পুনবগী কেম্প্যেন অমা হৌখিবা মতুংদা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী মায়কৈদগী কম্বোদিয়াদা পীরম্বা প্রিফরেন্সিএল ট্রেদ টার্মস ককথৎনগী ৱাফম খন্নরকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী ওথোরিটিশিংনা সোখাবু হাউস এরেষ্ট তৌরম্বদগী থাদোকখিবনি।
সোখাগী অথিংবা থমখ্রবা ওপোজিসন পার্টিগী সপোর্টর অমসুং অতৈ এক্তিভিষ্ট ৫০ রোমনা হুন সেনবু মফমদগী চিংথুনবা কু অমা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌবগী মরাল শীরদুনা কম্বোদিয়ন ওথোরিটিশিংনা চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা ফাখিবনি।
কুমজা ২০১৭ দা ট্রিজনগী মরালদা ফাখিবা মশাগী চহী ৬৬ শুরবা সোখা উনদুনা ৱারী শানবা অদুদা য়ু এস এনভোই মর্ফিনা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকখি। হৌখিবা চহীদা পাঙথোকখিবা জেনরেল ইলেক্সনগী মাঙওইননা কম্বোদিয়াগী সুপ্রিম কোর্টনা মহাক্কী কম্বোদিয়া নেসনল রেস্ক্যু পার্টি লৈবাক অদুদা মখা তানা থবক থৌরম অমত্তা পাঙথোকপা য়াররোই হায়না লাউথোক্ত্রিঙৈগী মাঙওইননা কেম সোখাবু লৈবাক অদুগী ওথোরিটিশিংনা ট্রিজনগী মরাল শীরগা ফাখিবনি।

## টর্কিনা ফোরেন আই এস মেম্বরশিং তানবা হৌখ্রে



অঙ্কারা, নবেম্বর ১১ (এজেন্সি) :
টর্কিনা ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস) টেরর গ্রুপকী ফোরেন ফাইটরশিং নমদুনা ময়ুম লৈবাকশিংদা হলহনবগী থবক হৌখ্রে।
অহানবা ওইনা অমেরিকান অমা মরৈবাক্তা হলহনখ্রবা মতুংদা অথুবা মতমগী মনুংদা জর্মন ৭ মরমদা হলহল্লগনি হায়না ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন অমনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখি।
লিগেল প্রোসিজরশিং মপুং ফানা লোইশিল্লবা মতুংদা য়ু এস সিটিজন অমা ওইরিবা আই এস টেররিষ্ট অমা ময়ুমদা হলহনখ্রে। মসিগী মতুংদা জর্মন নেসনল ৭ শগোলশেল নুমিত্তা জর্মনিদা হলহল্লগনি হায়না মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন ইস্মাইল কতাক্লিনা ষ্টেটনা চল্লাইবা এনাদোলু এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।
মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, অহেনবা আই এস মেম্বর ৩ অমসু নিংথৌকাবা নুমিত্তা নমদুনা মরৈবাক্তা হলহল্লগনি। মীওই অহুমদুগী নেসলিটিশিংদি মহাক্লা ফোঙদোকখিদে।
মহাক্লা খুদক্কী ওইনা আই এস মেম্বরশিং অদুগী মরমদা মখা তাবা ইনফোর্মেসন পীদ্রবসু মখোয় দিপোর্টেসন সেন্টরশিংনা ফাজিন্দুনা থল্লকখিবনি হায়না পনখি।
হৌখিবা চয়োলদা টর্কিগী ইন্টরিয়র মিনিষ্টর সুলেমান সুইলুনা চেকশিনৱা হায়রদুনা অঙ্কারানা আই এসকী মেম্বরশিং মখোয়গী লৈবাকশিংনা সিটিজনসিপশিং ককখিবা তারবসু মখোয় নিংথৌকাবা নুমিত্তা ময়ুম লৈবাকশিংদা থাবা হৌরগনি হায়না লাউথোকখিবনি।
সুইলুনা চপ চাবা মশিং পনখিদবগা লোয়ননা মখোয়বু করম করম্বা লৈবাকশিংদা থাগদৌরিবনো হায়বদুসু পনখিদে। মহাক্লা মখা তারদুনা টর্কি অসি আই এস টেররিষ্টশিংগী হোটেল অমা নত্তে হায়নসু ফোঙদোকখি। ষ্টেট ব্রোদকাষ্টর টি আর টি হবরনা হায়, টর্কিনা আই এস টেররিষ্ট ২৫০০ রোম ময়ুম লৈবাকশিংদা ৱায়েল মায়োকহন্নবগীদমক থাননবা থৌরাং তৌরি। মখোয় অয়াম্বা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন (ঈ য়ু)গী লৈবাকশিংদা থাগনি। অঙ্কারানা মমাংদা ফ্রান্স য়াওনা য়ুরোপিয়ন লৈবাকশিংদা আই এস ফাইটরশিং ওইরবা মখোয়গী সিটিজনশিং লৌশিন্নবা হঞ্জিন-হঞ্জিন্না আপিল তৌখ্রবনি। সিরিয়াদা ফাজিন্দুনা থল্লিবা আই এস মেম্বর ১০,০০০ রোমগী শরুক মঙা থোকপগী অমদি য়ুরোপিয়নশিংনি হায়রি।

## স্পেনগী মীখলদা এক্তিং প্রাইম মিনিষ্টরগী পার্টিনা সীট অয়াম্বা ফংখ্রে



মাদ্রিদ, নবেম্বর ১১ (এজেন্সি) :
স্পেনগী মরিশুবা জেনরেল ইলেক্সন্দা এক্তিং প্রাইম মিনিষ্টর পেদ্রো সাঞ্চেজকী স্পেনিস সোসলিষ্ট পার্টি (পি এস ও ঈ)না সীট অয়াম্বা ফংবা ঙমখ্রবসু মেজোরিটি য়ৌগদবা মশিং ৱাৎখিবগা লোয়ননা রাইট-ৱিং পার্টিশিংসু মমাংগী মীখলশিংগা মান্নদবা মওংদা সীট মশিং য়াম্না ফংবা ঙমখি হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে।
হৌখিবা এপ্রিলদা পাঙথোকখিবা মমাংগী মীখলদা পি এস ও ঈনা মেজোরিটি মশিং য়ৌবা ঙমদবগা লোয়ননা কোলিসন শেম্বা ঙমখিদবা মতুংদা নোংমাইজিং নুমিৎকী মীখল অদু পাঙথোকখিবনি।
এপ্রিলগী মীখলদা ফংখিবা চাদা ২৮.৬৭গা চাংদম্নবদা হন্দক্কী মীখল অসিদদি ভোট চাদা ৯৯.৩০ মশিং থিবা লোইবদা পি এস ও ঈনা ভোট তাদা ২৮ ফংখি। মসি সীট মশিংগা পাথোকপদা কোংগ্রেসকী অপুনবা সীট ৩৫০ লৈবদা কোংগ্রেসতা সীট ১২০ ফংবা ঙল্লবনি। এপ্রিলগী মীখল অদুদদি পি এস ও ঈনা পুন্না সীট ১২৩ ফংখিবনি।
কঞ্জাভেটিভ পিপলসগী পার্ফোমেন্স হন্দক্কী মীখল অসিদা এপ্রিলগী মীখল অদুদগী হেন্দুনা অপুনবা ভোট মশিংগী চাদা ২০.৮১ অমসুং সীট ৮৮ ফংদুনা অনীশুবা সীট মশিং খ্বাইদগী য়াম্না ফংবা পার্টি ওইবা ঙমখি। মমাংগী মীখল অদুদদি পার্টি অসিনা অপুনবা ভোট মশিংগী চাদা ১৬.৬৯ অমসুং সীট ৬৬ ফংদুনা রেকোর্দ ওইবা মওংদা খ্বাইদগী মশিং য়ামদবা সীট মশিং ওইখিবনি।
তৌইগুম্বসুং স্পেনগী হন্দক্কী মীখল অসিদা শীংথানিংঙাই ওইনা মায় পাক্লিবা পার্টিদি ফার-রাইট ভোক্স পাটিনা ওইরি। পার্টি অসিনা অপুনবা ভোট মশিংগী চাদা ১৫.১০ অমসুং দেপ্যুটি ৫২ ফংবা ঙমদুনা স্পেনগী অহুমশুবা খ্বাইদগী মতিক ময়াই লৈরবা পার্টি ওইবা ঙমখ্রে।
হৌখিবা এপ্রিলগী ভোট অদুদদি পার্টি অসি শুপ্নগী ভোট চাদা ১০.২৬ অমসুং সীট ২৪ দমক ফংবা ঙমখিবনি। থা ১১ গী মমাংদা ঐখোয়গী মীহুৎ অমত্তা ইন্সটিট্যুসন অমত্তদা লৈহনবা ঙমখিদে। অদুবু হৌজিক্তি ঐখোয় স্পেনগী অহুমশুবা খ্বাইদগী মরু ওইবা পার্টি ওইরে হায়না ভোক্সকী লিদর সান্তিয়াগো অবাস্কেলনা ফোঙদোকখি।
পিপি অমসুং ভোক্স অনীমক মমাংগী মীখলদা ভোট চাদা ১৫.৮৭ ফাওবা ফংলম্বদগী হন্দক্কী মীখল অসিদা শুপ্নগী চাদা ৬.৭৯ ফংলিবা সেন্টর-রাইট সিয়ুদানোস পার্টিনা মরাই চাইথবদগী কান্নবা ফংলিবনি।

## গোতাবায়াগী য়ু এস সিটিজনসিপগী মতাংদা য়েৎনবা হৌরক্লে



কলম্বো, নবেম্বর ১১ (এজেন্সি) :
শ্রিলঙ্কাগী প্রসিদেন্টকী মীখলদা শ্রিলঙ্কা পোদুজানা পেরামুনা (এস এল পি পি)গী কেন্দিদেট ওইরিবা গোতাবায়া রাজাপক্সাগী য়ু এস সিটিজনসিপকী মতাংদা অমুক হন্না য়েৎনবা হৌরকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী হৌজিক্কী স্পোর্টস মিনিষ্টর হরিন ফনান্দোনা রাজাপক্সাবু য়ু এস সিটিজনসিপ থাদোকপগী প্রোসেস মপুং ফানা লোইদ্রি হায়না মরাল শীখ্রে।
থাংজ নুমিত্তা মিনিষ্টর ফনান্দোনা ফেসবুক পোষ্ট অমদা অমেরিকান লোদা সিটিজনসিপ কেন্সেল তৌখ্রবা সিটিজনশিংগী মমিংশিং রেজিষ্টরদা তঙাইফদনা ফোঙগদবনি হায়বা ৱাফম লৈদুনসু য়ু এসকী খ্বাইদগী নৌবা ফেদরেল রেজিষ্টরদা রাজাপক্সাগী মমিং য়াওবা উদে হায়না ফোঙদোকখিবা মতুংদা য়েৎনবা অসি লাকখিবনি। অদুমওইনমক অলি সব্রি পিসীনা লুচিংবা রাজাপক্সাগী উকিল কাঙবু অমনা মিনিষ্টরগী ৱাফম অদুবু কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা য়ু এস সিটিজনসিপ থাদোক্লবা মীওই অমগী মমিং ফেদরেল রেজিষ্টরদা য়াওহনবদা থা কয়া নৎত্রগা তান চারবদি চহী অমাফাওবা চঙবা য়াই হায়খি।
সব্রিনা প্রেস ব্রিফিং অমদা দোক্যুমেন্ট খরসু পুথোক্লদুনা মদুনা এস এল পি পিগী কেন্দিদেট মখা তানা য়ু এস সিটিজন ওইদ্রে হায়না উৎলি হায়না থমখি। হরিন ফনান্দোনা গোতাবায়া রাজাপাক্সাগী মিং অনৌবা ফেদরেল মিনিষ্টরদা য়াওদবগী ৱাফম হৌদোক্তুনা মহাক মখা তানা য়ু এস সিটিজন অমা ওইরি হায়না ক্লেম তৌরি। মসি অচৌবা মিনম্বা অমনি। ঐঙোন্দা রাজাপাক্সাদা কুমজা ২০১২দা ইশ্যু তৌখিবা ওরিজিনেল য়ু এস পাসপোর্ট অদু লৈ। পাসপোর্ট অদুগী ভেলিদিটি চহী ১০ নি। তৌইগুম্বসুং মহাক্লা য়ু এস সিটিজনসিপ থাদোকখিবদগী মদুদা কেন্সেল হায়বা ৱাহৈগী সিল অমা য়াওরি। হৌখিবা এপ্রিল ১৭ তা মহাক্লা য়ু এস সিটিজন থাদোকখিবগা মরী লৈনবা ওফিসল ওথসু ঐঙোন্দা লৈ হায়না সব্রিনা মখা তাখি।

## অফঘান প্রসিদেন্ট মীখলগী ভোট অমুক হন্না মশিং থিবা হৌখ্রে



কাবুল, নবেম্বর ১১ (এজেন্সি) :
হৌখিবা সেপ্তেম্বর ৮ দা পাঙথোকখিবা অফগানিষ্টানগী প্রসিদেন্টকী মীখলদা থাদনখিবা ভোটশিং লৈবাক অসিগী ইন্দিপেন্দেন্ট ইলেক্সন কম্মিসন (আই ঈ সী)না অমুক হান্না মশিং থিবা হৌখ্রে।
ইলেক্সন কেম্প্যেন টিমশিংনা নমথাক্কী ভোটশিং তোঙান্না খন্দোক্লবা দিমান্দ তৌরদুনা ৱাফম অসি থুংহন্দ্রিফাওবদি অমুক হন্না ভোট মশিং থিবা য়াখিরোই হায়না অথিংবা পীবা লৈন-লৈনা ইলেক্সন কম্মিসন্না ইনৌ নৌনা ভোট মশিং থিবা হৌখিবনি।
তোলো ন্যুজগী রিপোর্টনা আই ঈ সী সেক্রেটরিয়েটকী মকোক হবিব-উর-রহমন নাংগী ৱারোল পল্লদুনা হায়, অপুনবা পোল্লিং ষ্টেসন ২৬,০০০গী মনুংদা পোল্লিং ষ্টেসন ৮,৪৯৪ কী ভোট মশিং অমুক হন্না থিরগনি। নমথাক তৌরম্বা অমদি টেক্নিকেল ইশ্যুশিংগী রিপোর্টশিংগা লোয়ননা হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা কম্মিসন্দা প্রেসর পীবা হেনগৎখি।
হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা মরু ওইবা কেন্দিদেটশিং ওইরিবা প্রসিদেন্ট অশ্রাফ ঘানি অমসুং মহাক্কী চীফ এগজিক্যুটিভ অব্দুলাহ অব্দুলাহ য়াওনা কেন্দিদেট কয়ানা মরাল কয়া শীবগা লোয়ননা য়েৎপনা মরম ওইদুনা কম্মিসন্না হৌখিবা চয়োল খরা অসি ভোট মশিং থিবা লেপ্তুনা লাকখিবনি।
অব্দুলাহগী মায়কৈদগীদি হৌখিবা নুমিৎ ৪৫নিগী মতম অসিদা বেলোট বোক্স ২,৪০০ দি নমথাক তৌই হায়না মরাল শীরিবা কাঙবুশিংনা কন্ট্রোল তৌদুনা লৈ অমদি বোক্সশিং অদুগী মনুংদা চিননিংঙাই ওইবা করিমত্তা য়াওরম্বা থেংনখিদে হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা ভোট মশিং অমুক হন্না থিবগী প্রোসেসকী মতাংদা মহাক্কী অশেংবা ফিরেপ মীয়ামদা খঙহনখি।
হৌখিবা সেপ্তেম্বর ২৮ দা পাঙথোকখিবা প্রসিদেন্ট মীখল অদুগী প্রিলিমিনরি রিজল্ট শগোলশেল নুমিত্তা লাউথোক্লগনি হায়না আই ঈ সীনা ফোঙদোকখ্রবনি।